ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ
ꯊꯥꯡꯖ, ꯃꯥꯔꯆ ꯱꯶, ꯲꯰꯲꯴, ꯏꯝꯐꯥꯜ
꯴꯷ ꯁꯨꯕ ꯆꯍꯤ, ꯳꯴꯴ꯁꯨꯕ ꯃꯁꯤꯡ
হুইয়েন লানপাউ
থাংজ, মার্চ ১৬, ২০২৪, ইম্ফাল
৪৭শুবা চহী, ৩৪৪শুবা মশীং

উনা উনা নেৎখিগদ্রা

মমল য়াম্বা ভোটনি, লেম্না মাঙহল্লোইদবনি

পাঙথোক্তবা য়াদবদগী পাঙথোক্কদৌরিবা লৈবাকসিগী ১৮শুবা লোক সভা মীখলসি ষ্টেট অমসুং য়ুনিয়ন টেরিটরি পূম্নমক্কীনি। মফমশিং অসিদা লৈবা পার্লিয়ামেন্টরি কন্সটিট্যুএন্সি পূম্নমক্তগী মীয়াম্না হকথেংননা খল্লগা থাগৎলকপা এম পিশিংনা লৈবাকসিগী লৈঙাক পায়দুনা ৱায়েল থৌদা চত্থগদৌরিবনি। থবকসি চহী ৫গীনি। হোয়, মমাঙ চহী ২০২৩গী মে ৩দগী চত্থরক্লিবা তমথীরবা লানসি লোইদ্রি। ৱারোইশিন পুরক্ত্রি। করম্বা মতমদা অমসুং মফমদা লানফম অমুক ওইরক্কদগে হায়বা মাঙজৌননা খঙদোকপা ঙমদ্রি। মখা চত্থরক্লরোই হায়বগী পূক্নিং তং তাবা ফীভমদা লৈত্রি। মসিগী মথক্তা চীং অমসুং তমদা হাংবা রিলিফ কেম্পশিংদা মীওই কয়া চঙজফম লৌরি। মখোয়গী মনুংদা ভোটর কয়া য়াওরি। ইলেক্সন কম্মিসন ওফ ইন্দিয়া (ঈ সী আই) গী পাউতাক মতুংইন্না মণিপুরগী চীফ ইলেক্টোরেল ওফিসর (সী ঈ ও) না মখোয়গীদমক অখন্নবা থৌরাংশিংদি লৌখৎলক্লি। অদুবু ওইরিবা ফীভমসিদা মণিপুরদসু মীখলসি পাঙথোক্কদ্রা নৎত্রগা মতম খরা চোন্থরগা ফীভম খজিক্তং ফগৎলক্লগা তৌগদ্রা হায়বদুদি ঈ সী আইদা লৈরে। মীখল পাঙথোক্কদবা মফম অমদা অসিগুম্বা ফীভমদা লৈরগদি পাঙথোকপা য়াগনি নৎত্রগা য়ারোই হায়বদুদি কম্মিসনসিগী ওইবা লেঙদবা কাঙলোন অমা শোয়দনা লৈরমগনি। অমবু ওইরে, অমবু ওইরে হৌজিক ফাওবগীদি সিট ২ লৈরিবা মণিপুরদসু মীখলসি শোয়দনা পাঙথোক্লবগী মথৌ তাবা থৌরাং পূম্নমক লৌখৎলক্লি। ইশম-শম্বদা পাঙথোকপগী ফীভমদা লৈরে। পূম্নমকসিনা মীখলসিগীদমক লৌখৎলকপা থৌরাংশিংগী ৱানি। লুরিবদি মণিপুরগী নম্বর ১- ইন্নর অমসুং নম্বর ২- আউটর মণিপুর পার্লিয়ামেন্টরি কন্সটিট্যুএন্সিগী মীয়াম্না করম্বা পোলিটিকেল পার্টিগী নৎত্রগা ইন্দিপেন্দেন্ট মীরেপ ওইনা চোংথোরক্কদবা কেন্দিদেটতা ভোট পীগদগে হায়বসিনি। ৱাফমসিগী ৱারেপ্তি পার্লিয়ামেন্টরি কন্সটিট্যুএন্সি অনীগী ভোটর মীয়াম্না লেপচগদবনি।

হৌজিক লান মনুং ওইগেরা/ওইরোইরা শোয়দনা তৌরনি হায়রবনিনা মীয়াম্না চহী ৫গী ওইনা পীখিগদৌরিবা মখোয়গী মমল য়াম্লবা ভোটকীদমক ফি শেমহৌবা চুমগনি। অফবা নোংমৈ, মপাঙ্গল কল্লবা বোম, অয়াম্বা শেল, খূৎকন-পাঙ্গনবা খূৎপু, মতিক ময়াই লৈবা পোলিটিকেল পার্টি, মীরেপ্তা পীগদ্রা নৎত্রগা মীখল পাঙথোক্কদবা নুমিৎ খরনিগী মমাঙদা য়ারি-য়াখোঙ থুমহনবা ঙম্বশিংদা চেপথখিগদ্রা হায়বসি তরেৎ-তরা থোক্না খন্নহৌবা চুমগনি। মসিনা ঐখোয়শ্বাইগী ওইবা ৱাফমনি। দেল্লীরোমদা ওনশিন্দুনা য়েংলুরগনা কম্মাই তৌবা? এম পি মশীং য়াম্না কারগা মেজোরিটি ফংদুনা লৈবাকসিগী ৱায়েল চূপ্লি পায়শিল্লগা ইন্দিয়ন কন্সটিট্যুসন ফাওবা শেমদোক্তুনা অকক্লবা লাইনীং অমসুং ফূরুপ অমগীদমক অউপ্পা ঊনা ফাওবা লোংথোক্তুনা পান্বৈশিং থিরগা শিরগে'মখৈ কনামক্তনা হায়বা/ঙাঙবা তাদনা হোৎনরক্লিবা পোলিটিকেল পার্টিদা পীগদৌরিব্রা? মণিপুরদা য়ুম লিশীং ৫ হেন্না মৈ থাখিবদগী মীওই লিশীং ৬০ রোম লাঞ্জেন্নবা, মীওই ২০০ হেন্না শিরগা কয়া অমনা শোক্লবা ফাওবদা হোইনি, মাইনি হায়দবা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা লুচিংবা পার্টিসিদা অমুক হঞ্জিন্দুনা শৌগৎখিগদ্রা হায়বনি। কলমসিদা হায়ফম থোকপা হায়বনা য়ারোই। ভোট থাদবা হায়বসিদি ভোটর মশা-মশাগী ওইবা অরোনবা ভোটনি। য়ৈরকপা পুঙলোনগী মতুংইন্না জগোয় শাহৌবা চুমগনি হায়বনি। মণিপুরগী লোক সভাগী সিট মশীং য়ামদে, অনীখক্তনি। অদুবু য়ামখ্রবা পার্লিয়ামেন্টসিগী এম পি ময়ামগী মরক্তা এম পি ২ খক্লা কৈদৌরুদগে হায়না পূক্নিং শোন্থবা চুল্লোই। রুল্লিং ওইগেরা, ওপোজিসন ওইগেরা এম পি মশীং য়াম্না কাবা অচৌবা পার্টিদা ওনশিন্দুনা মণিপুরগী তঙাইফদবা মথৌ তাবশিংগীদমক লোবি তৌবা ঙম্বা, লোন-লি ফজনা থোকপা, কন্সটিট্যুসন অমসুং পার্লিয়ামেন্টরি দেমোক্রেসিগী মশক মুন্না খঙবা মীওইগী মথৌ তাদ্রিবরা হায়বনিদা? রাজ্য সভাগীসু অদু মঙাই, মীহুৎনেনা থাগৎখ্রগা মাগী-মাগী পার্টিগী অঙম্বশিংনা উৎনা-ৱাইনা খুম্বদৌনা কুপশিল্লগা থম্বদা শ্বর ফুনবা মীহুৎশিং থাগৎলুরগা করিবু তৌবা ঙমখিবগে? মীয়াম্না মীৎমাংদা শঙ-শঙ উনখ্রবা ঙাক্তনি। অঙাং লাইরিক তাকপদদি য়াম্না ফবা, রিছর্স স্কোলর ফাওবসু পুথোকপা ঙম্লে হায়দুনা প্রোফেসর অমা থাগৎলুবদগী য়ুনিয়ন ষ্টেট মিনিষ্টর ফাওবা ওইহল্লকখ্রবসু থা ১১ ফাজিল্লক্লবা লানসিগী ৱারোইশিন পুরক্লবা কৈদৌবা ঙমখিগে? পূম্নমক্তগীবুদি মণিপুরবু নুংশিবগী থৌনা লিংজেল চেন্নবনবুদি খ্বাইদগী মরূনি। অদুবু থিনি খঙনা খঙনা চোংশিন্দুনা নেৎপদি তৌহন্নীংদে হায়বগী ৱানি।

ꯎꯅꯥ ꯎꯅꯥ ꯅꯦꯠꯈꯤꯒꯗ꯭ꯔꯥ

ꯃꯃꯜ ꯌꯥꯝꯕ ꯚꯣꯇꯅꯤ, ꯂꯦꯝꯅ ꯃꯥꯡꯍꯜꯂꯣꯏꯗꯕꯅꯤ

ꯄꯥꯡꯊꯣꯛꯇꯕ ꯌꯥꯗꯕꯗꯒꯤ ꯄꯥꯡꯊꯣꯛꯀꯗꯧꯔꯤꯕ ꯂꯩꯕꯥꯛꯁꯤꯒꯤ ꯱꯸ꯁꯨꯕ ꯂꯣꯛ ꯁꯚꯥ ꯃꯤꯈꯜꯁꯤ ꯁ꯭ꯇꯦꯠ ꯑꯃꯁꯨꯡ ꯌꯨꯅꯤꯌꯟ ꯇꯦꯔꯤꯇꯣꯔꯤ ꯄꯨꯝꯅꯃꯛꯀꯤꯅꯤ꯫ ꯃꯐꯝꯁꯤꯡ ꯑꯁꯤꯗ ꯂꯩꯕ ꯄꯥꯔꯂꯤꯌꯥꯃꯦꯟꯇꯔꯤ ꯀꯟꯁꯇꯤꯇ꯭ꯌꯨꯑꯦꯟꯁꯤ ꯄꯨꯝꯅꯃꯛꯇꯒꯤ ꯃꯤꯌꯥꯝꯅ ꯍꯛꯊꯦꯡꯅꯅ ꯈꯜꯂꯒꯥ ꯊꯥꯒꯠꯂꯀꯄ ꯑꯦꯝ ꯄꯤꯁꯤꯡꯅ ꯂꯩꯕꯥꯛꯁꯤꯒꯤ ꯂꯩꯉꯥꯛ ꯄꯥꯏꯗꯨꯅ ꯋꯥꯌꯦꯜ ꯊꯧꯗ ꯆꯠꯊꯒꯗꯧꯔꯤꯕꯅꯤ꯫ ꯊꯕꯛꯁꯤ ꯆꯍꯤ ꯵ꯒꯤꯅꯤ꯫ ꯍꯣꯌ, ꯃꯃꯥꯡ ꯆꯍꯤ ꯲꯰꯲꯳ꯒꯤ ꯃꯦ ꯳ꯗꯒꯤ ꯆꯠꯊꯔꯛꯂꯤꯕ ꯇꯃꯊꯤꯔꯕ ꯂꯥꯟꯁꯤ ꯂꯣꯏꯗ꯭ꯔꯤ꯫ ꯋꯥꯔꯣꯏꯁꯤꯟ ꯄꯨꯔꯛꯇ꯭ꯔꯤ꯫ ꯀꯔꯝꯕ ꯃꯇꯝꯗ ꯑꯃꯁꯨꯡ ꯃꯐꯝꯗ ꯂꯥꯟꯐꯝ ꯑꯃꯨꯛ ꯑꯣꯏꯔꯛꯀꯗꯒꯦ ꯍꯥꯌꯕ ꯃꯥꯡꯖꯧꯅꯅ ꯈꯪꯗꯣꯛꯄ ꯉꯃꯗ꯭ꯔꯤ꯫ ꯃꯈꯥ ꯆꯠꯊꯔꯛꯂꯔꯣꯏ ꯍꯥꯌꯕꯒꯤ ꯄꯨꯛꯅꯤꯡ ꯇꯪ ꯇꯥꯕ ꯐꯤꯚꯃꯗ ꯂꯩꯇ꯭ꯔꯤ꯫ ꯃꯁꯤꯒꯤ ꯃꯊꯛꯇ ꯆꯤꯡ ꯑꯃꯁꯨꯡ ꯇꯃꯗ ꯍꯥꯡꯕ ꯔꯤꯂꯤꯐ ꯀꯦꯝꯄꯁꯤꯡꯗ ꯃꯤꯑꯣꯏ ꯀꯌꯥ ꯆꯉꯖꯐꯝ ꯂꯧꯔꯤ꯫ ꯃꯈꯣꯌꯒꯤ ꯃꯅꯨꯡꯗ ꯚꯣꯇꯔ ꯀꯌꯥ ꯌꯥꯎꯔꯤ꯫ ꯏꯂꯦꯛꯁꯟ ꯀꯝꯃꯤꯁꯟ ꯑꯣꯐ ꯏꯟꯗꯤꯌꯥ (ꯏ ꯁꯤ ꯑꯥꯏ) ꯒꯤ ꯄꯥꯎꯇꯥꯛ ꯃꯇꯨꯡ ꯏꯟꯅ ꯃꯅꯤꯄꯨꯔꯒꯤ ꯆꯤꯐ ꯏꯂꯦꯛꯇꯣꯔꯦꯜ ꯑꯣꯐꯤꯁꯔ (ꯁꯤ ꯏ ꯑꯣ) ꯅ ꯃꯈꯣꯌꯒꯤꯗꯃꯛ ꯑꯈꯟꯅꯕ ꯊꯧꯔꯥꯡꯁꯤꯡꯗꯤ ꯂꯧꯈꯠꯂꯛꯂꯤ꯫ ꯑꯗꯨꯕꯨ ꯑꯣꯏꯔꯤꯕ ꯐꯤꯚꯝꯁꯤꯗ ꯃꯅꯤꯄꯨꯔꯗꯁꯨ ꯃꯤꯈꯜꯁꯤ ꯄꯥꯡꯊꯣꯛꯀꯗ꯭ꯔꯥ ꯅꯠꯔꯒꯥ ꯃꯇꯝ ꯈꯔꯥ ꯆꯣꯟꯊꯔꯒꯥ ꯐꯤꯚꯝ ꯈꯖꯤꯛꯇꯪ ꯐꯒꯠꯂꯛꯂꯒꯥ ꯇꯧꯒꯗ꯭ꯔꯥ ꯍꯥꯌꯕꯗꯨꯗꯤ ꯏ ꯁꯤ ꯑꯥꯏꯗ ꯂꯩꯔꯦ꯫ ꯃꯤꯈꯜ ꯄꯥꯡꯊꯣꯛꯀꯗꯕ ꯃꯐꯝ ꯑꯃꯗ ꯑꯁꯤꯒꯨꯝꯕ ꯐꯤꯚꯃꯗ ꯂꯩꯔꯒꯗꯤ ꯄꯥꯡꯊꯣꯛꯄ ꯌꯥꯒꯅꯤ ꯅꯠꯔꯒꯥ ꯌꯥꯔꯣꯏ ꯍꯥꯌꯕꯗꯨꯗꯤ ꯀꯝꯃꯤꯁꯟꯁꯤꯒꯤ ꯑꯣꯏꯕ ꯂꯦꯡꯗꯕ ꯀꯥꯡꯂꯣꯟ ꯑꯃꯥ ꯁꯣꯌꯗꯅ ꯂꯩꯔꯃꯒꯅꯤ꯫ ꯑꯃꯕꯨ ꯑꯣꯏꯔꯦ, ꯑꯃꯕꯨ ꯑꯣꯏꯔꯦ ꯍꯧꯖꯤꯛ ꯐꯥꯎꯕꯒꯤꯗꯤ ꯁꯤꯠ ꯲ ꯂꯩꯔꯤꯕ ꯃꯅꯤꯄꯨꯔꯗꯁꯨ ꯃꯤꯈꯜꯁꯤ ꯁꯣꯌꯗꯅ ꯄꯥꯡꯊꯣꯛꯂꯕꯒꯤ ꯃꯊꯧ ꯇꯥꯕ ꯊꯧꯔꯥꯡ ꯄꯨꯝꯅꯃꯛ ꯂꯧꯈꯠꯂꯛꯂꯤ꯫ ꯏꯁꯝ-ꯁꯝꯕꯗ ꯄꯥꯡꯊꯣꯛꯄꯒꯤ ꯐꯤꯚꯃꯗ ꯂꯩꯔꯦ꯫ ꯄꯨꯝꯅꯃꯛꯁꯤꯅ ꯃꯤꯈꯜꯁꯤꯒꯤꯗꯃꯛ ꯂꯧꯈꯠꯂꯀꯄ ꯊꯧꯔꯥꯡꯁꯤꯡꯒꯤ ꯋꯥꯅꯤ꯫ ꯂꯨꯔꯤꯕꯗꯤ ꯃꯅꯤꯄꯨꯔꯒꯤ ꯅꯝꯕꯔ ꯱- ꯏꯅꯔ ꯑꯃꯁꯨꯡ ꯅꯝꯕꯔ ꯲- ꯑꯥꯎꯇꯔ ꯃꯅꯤꯄꯨꯔ ꯄꯥꯔꯂꯤꯌꯥꯃꯦꯟꯇꯔꯤ ꯀꯟꯁꯇꯤꯇ꯭ꯌꯨꯑꯦꯟꯁꯤꯒꯤ ꯃꯤꯌꯥꯝꯅ ꯀꯔꯝꯕ ꯄꯣꯂꯤꯇꯤꯀꯦꯜ ꯄꯥꯔꯇꯤꯒꯤ ꯅꯠꯔꯒꯥ ꯏꯟꯗꯤꯄꯦꯟꯗꯦꯟꯇ ꯃꯤꯔꯦꯞ ꯑꯣꯏꯅ ꯆꯣꯡꯊꯣꯔꯛꯀꯗꯕ ꯀꯦꯟꯗꯤꯗꯦꯠꯇ ꯚꯣꯠ ꯄꯤꯒꯗꯒꯦ ꯍꯥꯌꯕꯁꯤꯅꯤ꯫ ꯋꯥꯐꯝꯁꯤꯒꯤ ꯋꯥꯔꯦꯞꯇꯤ ꯄꯥꯔꯂꯤꯌꯥꯃꯦꯟꯇꯔꯤ ꯀꯟꯁꯇꯤꯇ꯭ꯌꯨꯑꯦꯟꯁꯤ ꯑꯅꯤꯒꯤ ꯚꯣꯇꯔ ꯃꯤꯌꯥꯝꯅ ꯂꯦꯞꯆꯒꯗꯕꯅꯤ꯫

ꯍꯧꯖꯤꯛ ꯂꯥꯟ ꯃꯅꯨꯡ ꯑꯣꯏꯒꯦꯔꯥ/ꯑꯣꯏꯔꯣꯏꯔꯥ ꯁꯣꯌꯗꯅ ꯇꯧꯔꯅꯤ ꯍꯥꯌꯔꯕꯅꯤꯅ ꯃꯤꯌꯥꯝꯅ ꯆꯍꯤ ꯵ꯒꯤ ꯑꯣꯏꯅ ꯄꯤꯈꯤꯒꯗꯧꯔꯤꯕ ꯃꯈꯣꯌꯒꯤ ꯃꯃꯜ ꯌꯥꯝꯂꯕ ꯚꯣꯠꯀꯤꯗꯃꯛ ꯐꯤ ꯁꯦꯃꯍꯧꯕ ꯆꯨꯝꯒꯅꯤ꯫ ꯑꯐꯕ ꯅꯣꯡꯃꯩ, ꯃꯄꯥꯡꯒꯜ ꯀꯜꯂꯕ ꯕꯣꯝ, ꯑꯌꯥꯝꯕ ꯁꯦꯜ, ꯈꯨꯠꯀꯟ-ꯄꯥꯡꯒꯟꯕ ꯈꯨꯠꯄꯨ, ꯃꯇꯤꯛ ꯃꯌꯥꯏ ꯂꯩꯕ ꯄꯣꯂꯤꯇꯤꯀꯦꯜ ꯄꯥꯔꯇꯤ, ꯃꯤꯔꯦꯞꯇ ꯄꯤꯒꯗ꯭ꯔꯥ ꯅꯠꯔꯒꯥ ꯃꯤꯈꯜ ꯄꯥꯡꯊꯣꯛꯀꯗꯕ ꯅꯨꯃꯤꯠ ꯈꯔꯅꯤꯒꯤ ꯃꯃꯥꯡꯗ ꯌꯥꯔꯤ-ꯌꯥꯈꯣꯡ ꯊꯨꯃꯍꯟꯕ ꯉꯝꯕꯁꯤꯡꯗ ꯆꯦꯞꯊꯈꯤꯒꯗ꯭ꯔꯥ ꯍꯥꯌꯕꯁꯤ ꯇꯔꯦꯠ-ꯇꯔꯥ ꯊꯣꯛꯅ ꯈꯟꯅꯍꯧꯕ ꯆꯨꯝꯒꯅꯤ꯫ ꯃꯁꯤꯅ ꯑꯩꯈꯣꯌꯁ꯭ꯕꯥꯏꯒꯤ ꯑꯣꯏꯕ ꯋꯥꯐꯃꯅꯤ꯫ ꯗꯦꯜꯂꯤꯔꯣꯃꯗ ꯑꯣꯟꯁꯤꯟꯗꯨꯅ ꯌꯦꯡꯂꯨꯔꯒꯅ ꯀꯝꯃꯥꯏ ꯇꯧꯕ? ꯑꯦꯝ ꯄꯤ ꯃꯁꯤꯡ ꯌꯥꯝꯅ ꯀꯥꯔꯒꯥ ꯃꯦꯖꯣꯔꯤꯇꯤ ꯐꯪꯗꯨꯅ ꯂꯩꯕꯥꯛꯁꯤꯒꯤ ꯋꯥꯌꯦꯜ ꯆꯨꯞꯂꯤ ꯄꯥꯏꯁꯤꯜꯂꯒꯥ ꯏꯟꯗꯤꯌꯟ ꯀꯟꯁꯇꯤꯇ꯭ꯌꯨꯁꯟ ꯐꯥꯎꯕ ꯁꯦꯃꯗꯣꯛꯇꯨꯅ ꯑꯀꯛꯂꯕ ꯂꯥꯏꯅꯤꯡ ꯑꯃꯁꯨꯡ ꯐꯨꯔꯨꯞ ꯑꯃꯒꯤꯗꯃꯛ ꯑꯎꯞꯄ ꯎꯅ ꯐꯥꯎꯕ ꯂꯣꯡꯊꯣꯛꯇꯨꯅ ꯄꯥꯟꯕꯩꯁꯤꯡ ꯊꯤꯔꯒꯥ ꯁꯤꯔꯒꯦ'ꯃꯈꯩ ꯀꯅꯥꯃꯛꯇꯅ ꯍꯥꯌꯕ/ꯉꯥꯡꯕ ꯇꯥꯗꯅ ꯍꯣꯠꯅꯔꯛꯂꯤꯕ ꯄꯣꯂꯤꯇꯤꯀꯦꯜ ꯄꯥꯔꯇꯤꯗ ꯄꯤꯒꯗꯧꯔꯤꯕ꯭ꯔꯥ? ꯃꯅꯤꯄꯨꯔꯗ ꯌꯨꯝ ꯂꯤꯁꯤꯡ ꯵ ꯍꯦꯟꯅ ꯃꯩ ꯊꯥꯈꯤꯕꯗꯒꯤ ꯃꯤꯑꯣꯏ ꯂꯤꯁꯤꯡ ꯶꯰ ꯔꯣꯝ ꯂꯥꯟꯖꯦꯟꯅꯕ, ꯃꯤꯑꯣꯏ ꯲꯰꯰ ꯍꯦꯟꯅ ꯁꯤꯔꯒꯥ ꯀꯌꯥ ꯑꯃꯅ ꯁꯣꯛꯂꯕ ꯐꯥꯎꯕꯗ ꯍꯣꯏꯅꯤ, ꯃꯥꯏꯅꯤ ꯍꯥꯌꯗꯕ ꯄ꯭ꯔꯥꯏꯝ ꯃꯤꯅꯤꯁ꯭ꯇꯔ ꯅꯔꯦꯟꯗ꯭ꯔ ꯃꯣꯗꯤꯅ ꯂꯨꯆꯤꯡꯕ ꯄꯥꯔꯇꯤꯁꯤꯗ ꯑꯃꯨꯛ ꯍꯟꯖꯤꯟꯗꯨꯅ ꯁꯧꯒꯠꯈꯤꯒꯗ꯭ꯔꯥ ꯍꯥꯌꯕꯅꯤ꯫ ꯀꯂꯝꯁꯤꯗ ꯍꯥꯌꯐꯝ ꯊꯣꯛꯄ ꯍꯥꯌꯕꯅ ꯌꯥꯔꯣꯏ꯫ ꯚꯣꯠ ꯊꯥꯗꯕ ꯍꯥꯌꯕꯁꯤꯗꯤ ꯚꯣꯇꯔ ꯃꯁꯥ-ꯃꯁꯥꯒꯤ ꯑꯣꯏꯕ ꯑꯔꯣꯟꯕ ꯚꯣꯇꯅꯤ꯫ ꯌꯩꯔꯛꯄ ꯄꯨꯡꯂꯣꯟꯒꯤ ꯃꯇꯨꯡ ꯏꯟꯅ ꯖꯒꯣꯏ ꯁꯥꯍꯧꯕ ꯆꯨꯝꯒꯅꯤ ꯍꯥꯌꯕꯅꯤ꯫ ꯃꯅꯤꯄꯨꯔꯒꯤ ꯂꯣꯛ ꯁꯚꯥꯒꯤ ꯁꯤꯠ ꯃꯁꯤꯡ ꯌꯥꯃꯗꯦ, ꯑꯅꯤꯈꯛꯇꯅꯤ꯫ ꯑꯗꯨꯕꯨ ꯌꯥꯝꯈ꯭ꯔꯕ ꯄꯥꯔꯂꯤꯌꯥꯃꯦꯟꯇꯁꯤꯒꯤ ꯑꯦꯝ ꯄꯤ ꯃꯌꯥꯃꯒꯤ ꯃꯔꯛꯇ ꯑꯦꯝ ꯄꯤ ꯲ ꯈꯛꯂꯥ ꯀꯩꯗꯧꯔꯨꯗꯒꯦ ꯍꯥꯌꯅ ꯄꯨꯛꯅꯤꯡ ꯁꯣꯟꯊꯕ ꯆꯨꯜꯂꯣꯏ꯫ ꯔꯨꯜꯂꯤꯡ ꯑꯣꯏꯒꯦꯔꯥ, ꯑꯣꯄꯣꯖꯤꯁꯟ ꯑꯣꯏꯒꯦꯔꯥ ꯑꯦꯝ ꯄꯤ ꯃꯁꯤꯡ ꯌꯥꯝꯅ ꯀꯥꯕ ꯑꯆꯧꯕ ꯄꯥꯔꯇꯤꯗ ꯑꯣꯟꯁꯤꯟꯗꯨꯅ ꯃꯅꯤꯄꯨꯔꯒꯤ ꯇꯉꯥꯏꯐꯗꯕ ꯃꯊꯧ ꯇꯥꯕꯁꯤꯡꯒꯤꯗꯃꯛ ꯂꯣꯕꯤ ꯇꯧꯕ ꯉꯝꯕ, ꯂꯣꯟ-ꯂꯤ ꯐꯖꯅ ꯊꯣꯛꯄ, ꯀꯟꯁꯇꯤꯇ꯭ꯌꯨꯁꯟ ꯑꯃꯁꯨꯡ ꯄꯥꯔꯂꯤꯌꯥꯃꯦꯟꯇꯔꯤ ꯗꯦꯃꯣꯛꯔꯦꯁꯤꯒꯤ ꯃꯁꯛ ꯃꯨꯟꯅ ꯈꯪꯕ ꯃꯤꯑꯣꯏꯒꯤ ꯃꯊꯧ ꯇꯥꯗ꯭ꯔꯤꯕꯔꯥ ꯍꯥꯌꯕꯅꯤꯗ? ꯔꯥꯖ꯭ꯌ ꯁꯚꯥꯒꯤꯁꯨ ꯑꯗꯨ ꯃꯉꯥꯏ, ꯃꯤꯍꯨꯠꯅꯦꯅ ꯊꯥꯒꯠꯈ꯭ꯔꯒꯥ ꯃꯥꯒꯤ-ꯃꯥꯒꯤ ꯄꯥꯔꯇꯤꯒꯤ ꯑꯉꯝꯕꯁꯤꯡꯅ ꯎꯠꯅ-ꯋꯥꯏꯅ ꯈꯨꯝꯕꯗꯧꯅ ꯀꯨꯞꯁꯤꯜꯂꯒꯥ ꯊꯝꯕꯗ ꯁ꯭ꯕꯔ ꯐꯨꯟꯕ ꯃꯤꯍꯨꯠꯁꯤꯡ ꯊꯥꯒꯠꯂꯨꯔꯒꯥ ꯀꯔꯤꯕꯨ ꯇꯧꯕ ꯉꯝꯈꯤꯕꯒꯦ? ꯃꯤꯌꯥꯝꯅ ꯃꯤꯠꯃꯥꯡꯗ ꯁꯪ-ꯁꯪ ꯎꯟꯈ꯭ꯔꯕ ꯉꯥꯛꯇꯅꯤ꯫ ꯑꯉꯥꯡ ꯂꯥꯏꯔꯤꯛ ꯇꯥꯛꯄꯗꯗꯤ ꯌꯥꯝꯅ ꯐꯕ, ꯔꯤꯁꯔꯆ ꯁ꯭ꯀꯣꯂꯔ ꯐꯥꯎꯕꯁꯨ ꯄꯨꯊꯣꯛꯄ ꯉꯝꯂꯦ ꯍꯥꯌꯗꯨꯅ ꯄ꯭ꯔꯣꯐꯦꯁꯔ ꯑꯃꯥ ꯊꯥꯒꯠꯂꯨꯕꯗꯒꯤ ꯌꯨꯅꯤꯌꯟ ꯁ꯭ꯇꯦꯠ ꯃꯤꯅꯤꯁ꯭ꯇꯔ ꯐꯥꯎꯕ ꯑꯣꯏꯍꯜꯂꯛꯈ꯭ꯔꯕꯁꯨ ꯊꯥ ꯱꯱ ꯐꯥꯖꯤꯜꯂꯛꯂꯕ ꯂꯥꯟꯁꯤꯒꯤ ꯋꯥꯔꯣꯏꯁꯤꯟ ꯄꯨꯔꯛꯂꯕ ꯀꯩꯗꯧꯕ ꯉꯝꯈꯤꯒꯦ? ꯄꯨꯝꯅꯃꯛꯇꯒꯤꯕꯨꯗꯤ ꯃꯅꯤꯄꯨꯔꯕꯨ ꯅꯨꯡꯁꯤꯕꯒꯤ ꯊꯧꯅ ꯂꯤꯡꯖꯦꯜ ꯆꯦꯟꯅꯕꯅꯕꯨꯗꯤ ꯈ꯭ꯕꯥꯏꯗꯒꯤ ꯃꯔꯨꯅꯤ꯫ ꯑꯗꯨꯕꯨ ꯊꯤꯅꯤ ꯈꯪꯅ ꯈꯪꯅ ꯆꯣꯡꯁꯤꯟꯗꯨꯅ ꯅꯦꯠꯄꯗꯤ ꯇꯧꯍꯟꯅꯤꯡꯗꯦ ꯍꯥꯌꯕꯒꯤ ꯋꯥꯅꯤ꯫

ৱাহৈগী ময়াই চন্নকপা ওইরজাৎলা

ৱাইরু-ৱাইরুবদা

ঙসি ঐখোয়না চাওখৎলে হায়না উরিবা তাইবঙপাল অসি সুন্মাইনা হান্না চাওখৎলগা নোংদোলথক্তগী পোপ লাউনা থাদবিরক্লম্বা নত্তে। তাইবঙপাল অসি হান্নদি য়াম্না মওং-মরীল তাদবা য়াম্না ৱাবা পোৎশক অমা ওইনা অহানবদা লৈরমগনি। মী অসিসু অহানবদা য়োং মমৈ য়াওদবা (এপ) ওইনা লৈরম্বনি। লাইরিক লাইশু তল্লম্বা নত্তে। তাইবঙ মী মফি-মরোল শেৎলম্বা নত্তে। শেৎলবসু মদু ঊনা-ৱানা, উকু-ৱাকু খরা শেৎলমগে মঙাই। উক্রোং অহোবদা খরা লৈ, লৈকুৎ লৈরাইদা খরা হুৎলগা লৈ, লৈনুংহুৎতা খরা লৈ তৌরগা ঙসিগী অসুন্মাইনা ওইরকপনি।

মহৌশা লাইরেম্বীনা পীরমদবা পোৎশক কয়া তাইবঙ মীনা শাদুনা লৈরক্লে। ঐখোয়গী মীৎনা হান্না উরমদবা মোবাইল ফোননা ঐখোয়গী মাঙদা ইথা থাজদনা লৈরকখিবদু ময়াম্না ফোংনা উনহৌরবনি। কুমজা ২০০5 অদুৱাইদা মোবাইল ফোন সর্ভিস হৌগৎনরকপা মতমদা ঐদি নোকপু নোক্লিংখি ওইসু য়াররোইদৌবা পোৎনিকা হায়দনা। অসুন্না অনৌ অনৌবা পোৎলম কয়া সাইন্টিষ্টশিংনা পুথোকপীরক্তুনা মালেম অসি ঙসিদি লাইরৈবাক হায়বদুমক ওন্থোকপীখ্রে। মালেম অসিদগী হেন্না নুংঙাইবা মফম অমা য়ুনিভর্স অসিদা তাইবঙ মীওইবনা থেংনরক্কদৌবা মান্দে।

ঐখোয়না নুংঙাইনা শীজিন্নরিবা ইপা ইপুনা শেম্বীরম্বা পোৎলম চৈরম (কেমেরা, ত্রেন, এরোপ্লেন, টেলিভিজন, কম্প্যুটর, এঞ্জাং অহাউ-অহাউবশিং, ফিরোলশিং, য়ূম-কৈশিং) অসিখক নত্তবীদা ইপা-ইপুশিং অদুনা তাইবঙ মীনা চৎনগদবা লোনচৎ শাজৎ চৎনবী ময়াম অসিবুসু শেল্লম্মী হায়বা হংলুদ্রসু খঙনরবনি। তাইবঙ মী অসি ফজবা চৎন-কাঙলোন ময়াম অমনা মতাং চানা পুন্দুনা থমহৌদ্রগদি লাক্ল-ফানদবা ঙমদে হায়বসি মীথোইশিংনা খঙনরকপদগী মখল মথেলগী অথিংবা কয়া, ফজবা কয়া তাইবঙ মীওইবনা হৌজিক্কী মীরোলসিগী মমাঙদসু ফনা য়াম্না শেমদুনা থনম্লে, থাগৎচরি। লাক্ল-ফানবা য়াদবা, ঙাঙনা শক্লবা য়াদবা মী য়াম্না লৈরিমখৈ মীওইবদা পানশিনবা য়াবা আইন অসি য়াম্না শেমগদৌরিবনি। ফজ-ফজবা আইন্না চয়োম শারে হায়বা লৈবাক অদু মী অফবা য়াম্না লৈরম্বা লৈবাক অমা ওইরম্নিংঙাই মরমদি লৈতে। অৱাবা নাতে চাদ-চাদবা কয়া থেংন-থেংনরগা ফজ-ফজবা আইন, চৎনরোল, ঙাক্লোন, শাজৎলোন, হিংনরোল ময়াম অমা শেল্লম্বা ওইরম্ফম থোকই।

তাইবঙ মীনা অসুম-অসুম চাওখৎলকপগী মতুংইন্না লেমজবা, ফজবা, ফি শেৎপা, কেজবা-মৌজবা, লুজবা-নাঞ্জবা, ফজবা ৱাহৈ শীজিন্নরকপা, ফজবা ফি ইন্নীংলকপা, ফজনীংজবা অসিনচিংবশিংসি পাল্লকপনি। হান্নদি তাইবঙ মী অয়াম্বনা থোক্ল-থোক্লবা পঙলৈ মরৈরকপনি। মতমদুদা চিকখাইনবা, খোত্তৎনবা, চাথোক্লবা, ফূগায়নবা, য়েংথিনবা, মোৎপা, য়া শেংদবা, নুরা তকথোক্তবা অসি ঙাক্তা ওইরমগদৌরিবনি। মসিদা নত্তনা ৱা অমা ঙাঙথোরকপদা য়াম্না মওং তারল্লোই। মে-মা-মো হায়দনা সুম খোংলগা লৈরম্বদগী হৌজিক ঐখোয়না ঙাঙনরিবা ফজরবা ৱা অসি তপ্না তপ্না তারকপা শোয়দনা ওইরগনি। ফজরবা শৈরেং, ঈশৈ ময়েক, দ্রামা, নোভেল, ৱারীমচা, এসে কয়া অসি তাইবঙ মীনা কোন্না চাওখৎলবা মপূৎ-মরৈ ফারক্লবা মতুংদা ওইরকফম থোকই। তাইবঙ মীনা শীজিন্নরিবা সিম্বোল, ইমেজরি, ইদিয়ম অমদি ফজরবা ৱাহৈ কয়াসি কোন্না সুম সুম হাপকৎলকপনি। মসিগী খুদম হায়ববু হৌজিক হৌজিকমকসু লেপ্পা লৈতনা অনৌবা ৱাহৈ ময়াম অমা শেল্লক্করিবসিনি।

ঐখোয়না শীজিন্নরিবা লোল অসি অঙকপনি। লোন্দা অসি (১) মীগী মমাঙদা মদু শীজিন্নরুরগা মীনা খোনচোপ্নি হায়গদৌবা লোল অমা (খোঞ্চোপ, অকাম অপেৎ) (২) চুন্নগী লোল ওইবা অমা অদুগা (৩) মদু শীজিন্নরুরগনা শীজিন্নরিবা মী অদু লমচৎ ফজবনি হায়বীগদৌবা লোল অমা হায়দুনা চাউরাক্লা লোল নৎত্রগা ৱাহৈ অসি অহুম থোক্লা খাইদোক্তুনা শান্নবা য়াই। মসি লোল অহৈবা লিঙ্গুইষ্ট অমনা তৌবা অদুম্না হৈনা শিংনা তৌজবা নৎচদে, চুম্না সুম খন্নবা নুংঙাইনবা হায়দুনা খুদক্তা শেম্বা লোলগী মখল খূখায়দোক অমনি।

হৌজিক হৌজিক ঐখোয়না নৈনহৌবা য়ারিবা ৱাফম অসি খোঞ্চোপকী মতাং অসিনি। খোঞ্চোপ নৎত্রগা অকাম অপেৎ হায়রিবা ৱাহৈ অসি মী অমনা শীজিন্নরুবা মতমদা শীজিন্নরিবা মী অদু ওইনা মীনা লান্না উবা লোল মখল অমনি হায়জখ্রে । ওক্তবী নুপীবু... (পঞ্জদ্রে) হায়রগা খঙনৈ। ৱাহৈ অসিবু শীজিন্নরগা নুপী অমদা চৈরিবা নুপা নৎত্রগা নুপী অদুবুসু খোন্দা ফজদেদা হায়না খরদা ওইরসু অদুম মীনা নোক্নরিবনি। লান্না খন্নরিবনি। মীতৈলোল অসি ইনাক কৈরাক য়াম্না খুনবা লোল অমা ওইবনিনা মশানা তানা অসিগুম্বা খোঞ্চোপ কয়া মরাং কায়নসু অসুম লৈফম থোক্লি। হায়রিবা লোল নৎত্রগা ৱাহৈ মখল অসিদা ইমুং-মনুং পূন্না তামিন্নবা য়াদবা, মীয়াম মমাঙদা ঙাঙবা শীজিন্নবা য়াদবা কয়া অমনি। অহল লমন্দা শীজিন্নবা য়াদবসু লৈরি। নুপা-নুপীগী মরীগী মতাংদা মীওইবগী হকচাংগী ওইবা শরুকশিংগী মতাংদা শীজিন্নবদা লেমদবা কয়া লৈরি। মসি লোইনা ৱারেংসিদা ইথোকপসু ফজদবা অমা ওইরি।

মতমসিদা য়াম্না লুরক্লিবা ৱাফমদি, হৌরক্লিবা চহী কুন্থ্রামঙামুকফাওগী মনুংদা লৈরিবা নুপামচা-নুপীমচাশিং অয়াম্বনা মখোয়না শীজিন্নরিবা ৱাহৈশিং অসি অকাম্বা ৱাহৈরা নৎত্রগা ফজবা ৱাহৈরা হায়বা খঙনরক্তবা অসিনি। ইচম চম্বা ফজবা ৱাহৈ অমদৌনা অহল-লমন মমাঙদা অমদি সোসল মীদিয়াদা হরাউ হরাউনা ঙাঙনবদা শীজিন্নরক্লে। করিগুম্বদা ফিল্মদা, লীলাদা ফাওবা অসিগুম্বা ৱাহৈশিং শীজিন্নরকপা লৈখ্রে। মসিনা তাকপদি অকাম অপেৎকী ওইবা ৱাহৈ অসিসু মতমগী মতুংইন্না ৱাহন্থোক হোংখ্রবরা হায়বা অসিনি? মসিবু ফরিব্রৌ? মতম অমদা ঐখোয়গী ইমানা, ইনেনা, ইবোক-ইপুবোক্লা ইকায়দুনা, হঙ্গোইদুনা শীজিন্নবা ঙল্লমদ্রবা ৱাহৈ কয়া মতমগী নহাশিংনা অরেম্বা ৱাহৈশিংদৌনা মীমাঙ পুমাং খঙদনা শীজিন্নবদা মখোয়গী মমায় মচেৎ অমা ঙাঙনদ্রে।

খুন্নাই অমা হায়বসি নহা ঙাক্তনা শাবা য়াবসু নত্তে অদুগা হনুবা ঙাক্তনা শাবা য়াবসু নত্তে। খুন্নাই অসি তৎপা নাইবা পোৎশক অমসু নত্তে, মসি তৎনাইদবা তুরেল অমগুম্বনি। অহলগা নহাগা নাকপাক নাকপাক তানা তৎননা হিংনগদবা নত্তে। য়াম্না মোত চাননা পূন্না হিংমিন্নবা য়াবা ওইফম থোকই। হিংমিন্নরবা মতম অদুদা মপূম ওইবা ফজবা লোনচৎ শাজৎ ৱাঙাঙ ফজবা কায়হন্দনা লৈবা য়াদৌ মাল্লি। ●

হীদাক কান্নরবা পান্বীশিং ঃ কোলমনি # ৪৩২

— ডা. হুইদ্রোম বীরকুমার —

সী এস আই আর ঃ নোর্থ ইষ্ট ইন্সটিট্যুট
ওফ সাইন্স এন্দ টেক্নোলোজি, লম্ফেলপাৎ

ঈশিং তুংদুনতা লৈবা পাৎথী-কোমথী অমদি চোৎ-চোৎ লাওবা মফমশিংদা য়াম্না তোয়না হৌগনবা অথোৎপা পান্বী অমনি কোলমনি হায়রিবসি। কোলমনি নৎত্রগা কোলামনি হায়নসু খঙনবা এক্কাটিক হায়বদি ঈশিংদা মপূং ওইনা হৌবা পান্বী অসি মীওইবনা মখল মখা কয়াদা শীজিন্নবা পান্বীনি। কোলমনি পান্বী অসি হিন্দি অমসুং বেঙ্গোলিদা কালমিসাগ (Kalmisag), সংস্কৃততা কালম্বী (Kalambi), টামিলদা সারকারিভালী (Sarkareivalli), থায়দা পাক-বুঙ (Pak-boong), ইন্দোনেসিয়াদা কাঙ-কুঙ (Kang-Kung), চাইনিজদা কোংক্সিনকাই (Kongxincai), ইংলিসতা পোটেটো ভাইন (Potato vine) নৎত্রগা স্বাম্প কেবেজ (Swamp cabbage) নৎত্রগা ৱাটর স্পিনাচ (Water Spinach) নৎত্রগা ৱাটর মোর্নিং গ্লোরি (Water morning glory), সাইন্টিফিক নৎত্রগা বোটানিকেলগী ওইবা মমিংদা আইপোমিয়া এক্কাটিকা (Ipomoea aquatica Forsk) হায়না কৌই অমসুং কনবোলবুলেসী (Convolvulaceae) শাগৈগী মনুং চল্লি। শাগৈ অসিদা চনবা অতোপ্পা মরু ওইবা পান্বী খরদি : মঙ্গা পান্বী - স্বিট পোটেটো (আইপোমিয়া বাটাটাস), উরী শনামচু নৎত্রগা উরী হিংচাবী - জাইন্ট দোদর (কসকুতা রিফ্লেক্সা) অসিনচিংবনি। পান্বী অসিগী স্পিসিসকী মমিং এক্কাটিকা হায়বসি ঈশিংদা হৌগনবা পান্বী অমা ওইবদগী থোনখিবনি।

কোলমনি পান্বী অসি এসিয়াগী নোংপোক অমসুং খা নোংপোক থংবা মফমশিংদগী হৌরকখিবনি হায়বগী পাউদমশিং লৈ। পান্বী অসি ইন্দিয়া মরু ওইনা অৱাং নোংপোক থংবা মফমশিং, ফিলিপিন্স, শ্রীলঙ্কা, অশাবা ত্রোপিকেল এসিয়াগী মফমশিং, আফ্রিকা অমসুং ওষ্ট্রেলিয়ানচিংবা মফমশিংদা থোইদোক্লা মরাং কায়না হৌই। ঐখোয়গী লমদম মণিপুরগী তম্পাক্কী মফমশিং মরু ওইনা পাৎ অমসুং খোংবান্নচিংবশিংদা মরাং কায়না হৌবা থেংনৈ। পান্বী অসি অমুক হৌখ্রবদি মসিগী অকোয়বদা য়াম্না থুনা শন্দোক্তুনা হৌবা ঙম্মী। পান্বী মতেক অমদগী শন্দোক্তুনা হৌবা ঙম্মী।

কোলমনি পান্বী অসি মালেমগী মফম অয়াম্বদা এঞ্জাং অমা ওইনা য়াম্না পাম্না চানৈ। চাইনিজগী মীওইশিংনা কোলমনি পান্বী অসি য়াম্না তোয়না চাবদি তৌদে মরমদি মখোয়না থাজে মদুদি পান্বী অসি চাং য়াম্না অমদি তোয়না চারবদি চারিবা মীওই অদু কোলমনি পান্বীগী মতাং অহোবা অদুগুম্না ৱাখল লৌশিং ইরৈ লৈতবা অমসুং মশা অদুসু য়াম্না শোনগনি হায়বসিনি।

বিজ্ঞানগী পাউদমশিংগী মতুংইন্না কোলমনি পান্বীগী মনা অমসুং মতোন অদুদা য়াওবা মরু ওইবা মচলশিং অদুদি - লিগনিন চাদা ১০, ফেট চাদা ৩.৬, কার্বোহাইড্রেট চাদা ৪.৪, প্রোতিন চাদা ০.৬, পোটাসিয়ম চাদা ০.৪১, সোদিয়ম চাদা ০.১৫ অসিনচিংবনি। হায়রিবশিং অসিগী মথক্তা আইরন, ভিটামিন বি অমসুং ভিটামিন সী অসি ময়ায় ওইরপ্পা চাংদা য়াওবগী পাউদম লৈ।

ঐখোয়গী লমদম মণিপুরদদি কোলমনি পান্বীগী মতোন অদু মপূন পুল্লগা কৈথেলশিংদা য়াম্না তোয়না য়োনবা থেংনৈ। মতোন অদু কক্লগা, আলু পানা শোইদুনা মদুদা ঙা অয়াইবা নৎত্রগা অকংবা খরা হাপ্লগা থোংদুনা অহাওবা মথেল অমা ওইনা চানৈ। অহিং অমা ঈশিংদা তীংথোক্লবা শগোলহৱাইগা কোলমনিগী মতোন অদুগা অচাথাও খরা নন্নপ্না ঙৌরগা য়াম্না মহাও লৈবা মথেল অমা ওইনসু চানৈ। মণিপুরদদি কোলমনি মতোন অদু ঈশিংদা ফুৎলগা চমফুৎ ওইনা চানবগী মথক্তা শিংজুগী মচল অমা ওইনসু শীজিন্নৈ। ঙারি খরা হাপ্তুনা কোলমনি মতোন অদু থাওদা ঙৌবদসু তোপ-তোপ্পা মহাও পীবা ঙম্মী। কোলমনি পান্বীগী মখোক অদু পিকল হায়বদি অচার শেমদুনা নোংপোক থংবা এসিয়াগী মীওইশিংনা চানৈ। থাইলেন্দদি কোলমনিগী মতোন অদু কোংগ্রেং অমসুং সমুদ্রদগী ফাবা ঙা অমসুং অপীকপা জীবশিংগা থাওদা ঙৌদুনা অহাওবা মথেল অমা ওইনা চানবগী পাউদম লৈ।

ভিএটনামগী মীওইশিংনা কোলমনি পান্বী অসিদগী মখল কয়াগী এঞ্জাংশিং থোংদুনা চানৈ। য়াম্না লায়না অমদি মরাং কায়না ফংবা মরম্না কোলমনি পান্বী অসি মরু ওইনা লায়রবা মীওইশিংনা য়াম্না তোয়না চানবা এঞ্জাংশিংগী মরক্তা অমনি। ফিলিপিন্সকী মীওইশিংনা কোলমনি পান্বী অসি তিস্লৌ, চনম, ভিনেগর অমসুং নুংহৱাইদগী শেম্বা শোস (Sauce) অদুগা পূন্না অচাথাওদা ঙৌদুনা কাঙ-কোঙ (Kang-kong) কৌবা অহাওবা মথেল অমা শেমদুনা চানৈ। শা-ঙা থোংবদা কোলমনি পান্বীগী মতোন অদু মচল অমা ওইনা হাপ্পা য়াই। চাইনাদদি কোলমনি পান্বীগী মতোন অদু চনম অমসুং শীং (Ginger) খরগা মখুম খুম্বা পাত্র অমদা তপ্না ফুৎলগা য়াম্না হাওবা এঞ্জাং মথেল অমা শেমদুনা চানৈ। পান্বী অসি অচাথাওদা কংঙৌ ওইনা ঙৌরগা মথেল অমা শেম্নৈ।

কোলমনি পান্বী অসি অনা-লায়েং খরদা হীদাক ওইনা শীজিন্নবগী পাউদমসু লৈ। তীল-কাং অমদি হারৌনা চিকপদা কোলমনি পান্বী শুগাইদুনা শুন্নগা লৌবা অনংবা মহী অদুনা চাং নাইনা হাপ্তা অমরোম নোংমদা ২-৩লক তৈদুনা লায়েংনৈ। ঈশিংদা ফজনা চামথোক্লবা কোলমনিগী মনা অদু গ্রাম ৫০ রোম লৌরগা ঈশিং লিটর তঙ্খায়দা মিনট ৩০ রোম অপীকপা মৈরিদা ফুৎলগা লৌবা মহীদু ফিজুম্না চুমথোক্লগা ঈংথহল্লবা মহী অদু নাকোং লাইখুন তৌদুনা চীকপা-নাবদা দ্রোপ ওইনা নৎত্রগা লশিংগী বদ (Bud) অদু লুপ্লগা নাকোং অদু তেংথোকপদা য়াম্না কান্নহনবগী পাউদমশিং লৈ। পাউদম অমগী মতুংইন্না মশা শোন্থবা অমদি চনীং লৈতাদবা নুপীশিংনা কোলমনি পান্বীঅসি ঈশিংদা ফুৎলগা খোইহি খরা হাপ্তুনা শেম্বা মহী অদু চাং নাইনা পীথক্তুনা লায়েংবসি লমদম খরদা শীজিন্নবগী পাউদম লৈ। মীওইবগী হকচাংদা কানি (Opium poppy) শীজিন্নবদগী অমসুং ঈশিং থকপদা নৎত্রগা চীঞ্জাক চাবদা আর্সেনিক য়াওখিদুনা হকচাংদা হু কাবা অদু কোলমনি পান্বী শুগাইদুনা লৌবা মহী অদু পীথকপদা হু অদু ময়াই চমহনবা ঙম্মী হায়বগী পাউদমসু লৈ। অঙাংবা মচুগী কোলমনি পান্বী মখল (Red type) অদু দাইবেটিস লায়েংবদা হীদাক ওইনা শীজিন্নৈ। মতম শাংনা অমাংবা য়ৈখত্তুনা খোঙ হামদোকপা ঙমদ্রবদি কোলমনি পান্বীগী মনা অমসুং মতোন অদু ঈশিংদা ফুৎলবা মপং অদু পীজবগী মথক্তা মহী অদুসু পীথকপদা খোঙ অদু লায়না হামদোকহনবা ঙমহনগনি হায়বসিনি। উনশাদা লাইকোয় থুংবা হায়বদি রিং ৱর্ম (Ring Worm) তৌবদা কোলমনি পান্বীগী লৈ অদু শুগাইদুনা শেম্বা মলম অদুনা চাং নাইনা নোংমদা অহুল্লক থা অমরোমদং তৈবদা ফহনবা ঙমগনি হায়না পাউদম্লি। খুদক্কী ওইনা অশোক-অপন তৌবদা কোলমনি পান্বীগী মখোক অদু শুগাইরগা থোম্বদা ঈ অদু থুনা খকহনবা ঙম্মী। লোয়ননা মৈনা পোকপদসু হীদাক অসি শীজিন্নবা য়াই। ●

মীতৈগী পুয়া ‘নিঙ্থৌলোল্ লম্পুপা’

(নিংথৌরোল লম্বুবা)- (১২৪)

(পুয়াগী অরিবা ময়েক্তগী বাংলা ময়েক্তা চনম হেমচন্দ্রনা
লায়থোক্লা ইথোকপা অসি মীতৈ ময়েক্তসু
নুমিৎ খুদিংগী লমাই অসিদা ইথোক্তুনা ফোঙজরগনি।)

থৌদু নুং অমনা মখা থা। পামেল উ অমনা মথকতা থোলনা থম। চাহুই লৈরোংপামবগী কুরাও হংচললকপপু। হংচল য়ৈথোকনা থোকলমমে। অদু নুমিৎতগীবু লমলেল কুরাওথোক ও হায়না মিংকৌয়ে। তাওজিং হৈঙাঙশংবা ঈতৈ লোক। শেনলৈ অরৈবা শেল নমদা পোনা। লালচেল লোক। ঈয়েকচা লালনংবা। লালকোল পুঙবু লোলনা থংনবা। কৌবু লমদম অমা। নোংফৌ চীঙলুখুম ও মিংকৌবদি। খোয়নৌ নোংবাল চনু য়োয়রুমলোন। কোরৌ খোংজোলনুপী মতা তরুকমকনা। অৱাং কোরৌ নোঙগারবদা। কোরৌ অৱাংবদগী থারকয়ে। ৱাংবল নোং অৱাংবা ফেলথায়ে। কোরৌ নোংচু নোংনা ফেলনা চুথরকঙৈদা। চরৈ ইনলিবা ফীবু। চরৈ পুমচোৎ চোৎলে। অচোৎপা ফীবু। কোরৌ নুমিৎ নুংশা মৈশাদা ফীফৌরময়ে। অদু নুমিৎতগী। নোংফৌ ও মিংথোলখিয়ে। নোংফৌ চীঙলুখুম মিংকৌ লম। লমলোই লমদম মপুঙয়াইদা। ●

ꯃꯤꯇꯩꯒꯤ ꯄꯨꯌꯥ 'ꯅꯤꯡꯊꯧꯂꯣꯜ ꯂꯝꯄꯨꯄꯥ'

(ꯅꯤꯡꯊꯧꯔꯣꯜ ꯂꯝꯕꯨꯕ) -(꯱꯲꯴)

(ꯄꯨꯌꯥꯒꯤ ꯑꯔꯤꯕ ꯃꯌꯦꯛꯀꯤ ꯕꯥꯡꯂꯥ ꯃꯌꯦꯛꯇ ꯆꯅꯝ ꯍꯦꯃꯆꯟꯗ꯭ꯔꯅ
ꯂꯥꯏꯊꯣꯛꯂꯥ ꯏꯊꯣꯛꯄ ꯑꯁꯤ ꯃꯤꯇꯩ ꯃꯌꯦꯛꯇꯁꯨ
ꯅꯨꯃꯤꯠ ꯈꯨꯗꯤꯡꯒꯤ ꯂꯃꯥꯏ ꯑꯁꯤꯗ ꯏꯊꯣꯛꯇꯨꯅ ꯐꯣꯡꯖꯔꯒꯅꯤ꯫)

ꯊꯧꯗꯨ ꯅꯨꯡ ꯑꯃꯅ ꯃꯈꯥ ꯊꯥ꯫ ꯄꯥꯃꯦꯜ ꯎ ꯑꯃꯅ ꯃꯊꯛꯇ ꯊꯣꯜꯅ ꯊꯝ꯫ ꯆꯥꯍꯨꯏ ꯂꯩꯔꯣꯡꯄꯥꯝꯕꯒꯤ ꯀꯨꯔꯥꯎ ꯍꯪꯆꯜꯂꯀꯄꯄꯨ꯫ ꯍꯪꯆꯜ ꯌꯩꯊꯣꯛꯅ ꯊꯣꯛꯂꯝꯃꯦ꯫ ꯑꯗꯨ ꯅꯨꯃꯤꯠꯇꯒꯤꯕꯨ ꯂꯝꯂꯦꯜ ꯀꯨꯔꯥꯎꯊꯣꯛ ꯑꯣ ꯍꯥꯌꯅ ꯃꯤꯡꯀꯧꯌꯦ꯫ ꯇꯥꯎꯖꯤꯡ ꯍꯩꯉꯥꯡꯁꯪꯕ ꯏꯇꯩ ꯂꯣꯛ꯫ ꯁꯦꯅꯂꯩ ꯑꯔꯩꯕ ꯁꯦꯜ ꯅꯃꯗ ꯄꯣꯅꯥ꯫ ꯂꯥꯂꯆꯦꯜ ꯂꯣꯛ꯫ ꯏꯌꯦꯛꯆ ꯂꯥꯂꯅꯪꯕ꯫ ꯂꯥꯂꯀꯣꯜ ꯄꯨꯡꯕꯨ ꯂꯣꯜꯅ ꯊꯪꯅꯕ꯫ ꯀꯧꯕꯨ ꯂꯝꯗꯝ ꯑꯃꯥ꯫ ꯅꯣꯡꯐꯧ ꯆꯤꯡꯎꯂꯨꯈꯨꯝ ꯑꯣ ꯃꯤꯡꯀꯧꯕꯗꯤ꯫ ꯈꯣꯌꯅꯧ ꯅꯣꯡꯕꯥꯜ ꯆꯅꯨ ꯌꯣꯌꯔꯨꯝꯂꯣꯟ꯫ ꯀꯣꯔꯧ ꯈꯣꯡꯖꯣꯜꯅꯨꯄꯤ ꯃꯇꯥ ꯇꯔꯨꯛꯃꯀꯅ꯫ ꯑꯋꯥꯡ ꯀꯣꯔꯧ ꯅꯣꯡꯉꯥꯔꯕꯗ꯫ ꯀꯣꯔꯧ ꯑꯋꯥꯡꯕꯗꯒꯤ ꯊꯥꯔꯛꯌꯦ꯫ ꯋꯥꯡꯕꯜ ꯅꯣꯡ ꯑꯋꯥꯡꯕ ꯐꯦꯜꯊꯥꯌꯦ꯫ ꯀꯣꯔꯧ ꯅꯣꯡꯆꯨ ꯅꯣꯡꯅ ꯐꯦꯜꯅ ꯆꯨꯊꯔꯛꯉꯩꯗ꯫ ꯆꯔꯩ ꯏꯅꯂꯤꯕ ꯐꯤꯕꯨ꯫ ꯆꯔꯩ ꯄꯨꯝꯆꯣꯠ ꯆꯣꯠꯂꯦ꯫ ꯑꯆꯣꯠꯄ ꯐꯤꯕꯨ꯫ ꯀꯣꯔꯧ ꯅꯨꯃꯤꯠ ꯅꯨꯡꯁꯥ ꯃꯩꯁꯥꯗ ꯐꯤꯐꯧꯔꯃꯌꯦ꯫ ꯑꯗꯨ ꯅꯨꯃꯤꯠꯇꯒꯤ꯫ ꯅꯣꯡꯐꯧ ꯑꯣ ꯃꯤꯡꯊꯣꯜꯈꯤꯌꯦ꯫ ꯅꯣꯡꯐꯧ ꯆꯤꯡꯎꯂꯨꯈꯨꯝ ꯃꯤꯡꯀꯧ ꯂꯝ꯫ ꯂꯝꯂꯣꯏ ꯂꯝꯗꯝ ꯃꯄꯨꯡꯉꯥꯏꯗ꯫ ●

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্লা মরী লৈনদে।